## টর্ক ৪ কিদনেপ তৌখ্রে

অবুজা, জুলাই ২১(এজেন্সি): নাইজিরিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা টর্কিস নেসনল মরি কিদনেপ তৌখিবদগী পুলিসনা হৌজিক রেস্কু ওপরেসন অমা চথুরি হায়না ষ্টেট পুলিসকী স্পোক্সমেন অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদু থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা খঙলকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## দ্রোন ষ্ট্রাইক্তা ফাইটর তরেৎ শিরে

বেনঘাজি, জুলাই ২১(এজেন্সি): ট্রিপোলিগী খা থংবা শরুক্তা হৌখিবা অহিংদা চথুখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা মিলিটরি ষ্ট্রোংমেন খালিফা হাফটরনা কম্মান্দ তৌবা লিবিয়ান নেসনল আর্মি ফোর্সশিংগা মীচং চুংশিন্নবা ফাইটর তরেৎ শিরে হায়না মিলিটরি সোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা, নোংমাইজিং নুমিত্তা ট্রিপোলিগী চিদাইদা লৈবা আইন ঝারা হায়না খঙনবা মফম অমদা ইষ্টর্ন বেজ এল এন এনা দ্রোন অমা কাপথখ্রে হায়না এল এন এগী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।

## ইরান্না য়ু কেদা টেন্সন হেনগৎহন্দনবা চেকশিনব্রা হায়খ্রে

## 'ফারবা জহাজগী ক্রু তেক্তা কায়দনা লৈরি'



টেহরান, জুলাই ২১ (এজেন্সি): বৃটিশগী ফিরাল থেৎপা ওইল টেঙ্কর অমা ইরান্না ফাজিনখিবা মতুংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎহনবা পান্বা লৈবাক মনুংগী পোলিটিকেল ফোর্সশিং লাকশিন্নবা ইরান্না নোংমাইজিং নুমিত্তা বৃটেন্দা তকশিনখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা গল্ফতা ইরান্না ষ্টেনা ইম্পেরো ফাজিনখিবা অদুবু বৃটেন্না য়েংথিবগী থৌওং অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভেসেল অদু এক্সিদেন্ট অমদগী চেন্নবদগী ফাজিনখিবনি হায়বা টেহরানগী ৱাফম রিজেক্ট তৌখ্রবনি। জহাজশিংগী ইশ্যুগী ৱাংমদা লৈবাক অসিগা ইরানগা উংখৎনবগী ফিভম লুশিনহনবা পান্বা লৈবাক মনুংগী ওইবা পোলিটিকেল ফোর্সশিং লাকশিন্নবা য়ু কে গভর্নমেন্টনা হোৎনগদবনি। লমদ অসিদা অরুবা ফিভম অমা লৈরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌওং অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইগনি অমসুং ৱাখল মুন্না খন্থদবা তাগনি হায়না ইরানগী বৃটেনদা লৈবা এনভোই হমিদ বাইদিনেজাদনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ইরান্না খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লাকপা য়াবা তোঙান তোঙানবা ফিভমশিংগীদমক্ত শেম শাদুনা লৈ হায়নসু মহাক্না ত্বিটরদা মখা তানা ফোঙদোকখি। পনবা য়াই, থাংজ নুমিত্তা বৃটেশ ফোরেন মিনিষ্টর জেরিমি হন্টনা টেহরানগী খোঙথাংশিংনা সিরিয়াদা থাউ পুনবা হোৎনখিবা টেঙ্কর অমা গিব্রাল্টরনা লোনা য়াবা মওংদা ফাজিন্দুনা থমখিবা মতুংদা ইরান্না লোগী মায়োক্তা ওইবা গল্ফকী তং তাবা ফিভম কায়হনগদবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লম্বী অমদা খোঙ থাংজিন্নবা হোৎনরকপগী খুদমশিং উবা ফংই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, ইরানগী রেভোল্যুসনরি গার্দশিংনা ফাবা টেঙ্কর অদুগী ক্রু মেম্বর পুম্নমক তেক্ত-কাইদনা লৈরি হায়না হোর্মোঝগান প্রোভিন্সকী পোর্টস এন্দ মরিটাইম ওর্গনাইজেসনগী মকোক্না ষ্টেট টি ভিদা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। মালেম্না শীজিন্নবা চহীগী থাউ অপুনবগী শরুক মঙা থোকপগী অমা পুথোক-পুশিন তৌবদা শীজিন্নরিবা ঈশিং লম্বী ষ্ট্রেট ওফ হোর্মোঝদা মেরিটাইভ সেফটিগী ৱাফম লাকপদগী টেঙ্কর অদু ফাজিনবনি হায়না ইরান্না হায়খি।

## নুপী সুইসাইদ বোম্বর অমনা মীওই ৮ হাৎখ্রে



দেরাইস্মাইল খান, জুলাই ২১ (এজেন্সি): পাকিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা লৈবা সিভিলিয়ন হোস্পিটাল অমগী মপান্দা নোংমাইজিং নুমিৎতা নুপী সুইসাইদ বোম্বর অমনা চথুখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং ২৬ হেন্না অশোক অপন নংলে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা দেরাইস্মাইল খান দিষ্ট্রিক্টতা চথুখিবা এটেক অদু পাকিষ্টানি টালিবান হায়না খঙনবা অফঘানিষ্টানগী লালহৌবা গ্রুপ টালিবান্দগী তোঙানবা গ্রুপ অমা ওইরিবা টেহরি-ঈ-টালিবান পাকিষ্টান্না মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে হায়রি।

লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদু সিটিগী ৱাংমদা লৈবা লম্বী নাকলগী চেক পোইন্ট অমদা পুলিস পর্সনেল অনী হাৎখিবা মতুংদা চথুরকখিবনি। পুলিস পর্সনেল অনীদুগী হকচাংশিং সিটিগী মরু ওইবা হোস্পিটালদা পুখৎলিঙৈদা বুর্কা শেৎপা নুপী অমনি হায়না থাজনবা সুইসাইদ বোম্বর অমনা মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভ ভেষ্ট পোকখায়হন্দুনা শাথিরবা এটেক অদু চথুখিবনি হায়না লোকেল পুলিস ওফিসর ৱকর অহমদনা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না বোম পোকখায়বা অদুদা হোস্পিটাল অদুগী ইমর্জেন্সি ৱার্দতা অমাঙ-অতা থোকপগা লোয়ননা অশোকপা মীওই কয়া তঙাইফদনা অতৈ সিটিশিংদা পুখি হায়রি।

## অনৌবা প্রোটেষ্টশিং হৌরকপদগী হোং কোংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈহনখ্রে



হোং কোং, জুলাই ২১ (এজেন্সি): এক্সট্রাদিসন বিলগী মায়োক্তা মীয়ামগী অশাওবা সিটিজনশিংগী ফ্রীদমশিং কন্নবগী খোঙজং অমা ওল্লকখিবগা লোয়ননা চাইনানা লৈঙাক্লিবা হোং কোংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই লিশিং কয়ানা শারবা নুংশাগী মৈশা মরক্তা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট খোঙচৎশিং চৎখ্রে।

মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রবা মওংদা হৌখিবা থা অনীরোম অসিদা মীওই মিলিয়ন কয়ানা হোং কোংগী লিদর কেরি লামগী মায়োক্তা পুন্দুনা ইহৌ শাগৎখিবদা চহী ২২ গী মমাংদা চাইনিজ লৈঙাক্তা হল্লকখিবা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অদুদা অচৌবা ইরাং থোকখিবনি। প্রোটেষ্টরশিংনা সেলসিয়স দিগ্রি ৩১ রোম নুংশাগী মৈশা মরক্তা কোজৱে বেগী সোপ্পিং দিষ্ট্রিক ওইরিবা ভিক্তোরিয়া পার্কতগী ৱান চাই ফাওবা গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ চৎখি।

সেফটিগী ৱাফমনা মরম ওইদুনা পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংগী খোঙচৎ অদুগী লম্বী তেনশিনহনখি হায়রি। গভর্নমেন্ট বিল্ডিংশিং অমসুং পুলিস হেদক্বার্টরদা প্রোটেষ্টরশিংবু চঙবা ঙমহন্দনবগীদমক্তা ওথোরিটিশিংনা চাওরবা ৱাটর বেরিয়রশিং শেমগৎখি। মমাংদা উখিদ্রিবা মওংগী চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা গ্লেবেল বেঙ্ক ঐচ এস বি সীনা অচৌবা মেটল বেরিয়রশিং বেঙ্ক অসিগী স্কাইস্ক্রেপর বিল্ডিংগী ষ্ট্রিট লেভেলদা শেমগত্তুনা থমখি।

হোং কোংগী রেলি অয়াম্বা ঈংনা তপ্পা লোইশিনবগী ফিভম উদুনা লাক্লবসু হৌখিবা মতম খরা অসিদা রেলি খরদি নুংমিদাং থেংজিল্লক্লবা মতমদা শরুক য়ারিবা কা হেনবা তৌবা প্রোটেষ্টর খরগা পুলিসকা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক খরা থোকখি। পুলিস ফোর্স শৌগত্তুনা মীওই লিশিং কয়ানা রেলি পাঙথোকখিবা নোংমখক লৈরগা ইনৌ নৌবা প্রোটেষ্ট অসি পাঙথোরক্লিবনি।

## অফঘান এয়র ষ্ট্রাইক্তা মিলিটেন্ট ২৮ শিরে



মাইমানা, জুলাই ২১ (এজেন্সি): অফঘানিষ্টানগী ফরিয়াব প্রোভিন্সতা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা টালিবান মিলিটেন্ট ২৮ শিরে হায়না মিলিটরি সোর্স অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কনফার্ম তৌরবা অরোনবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা অফঘান এয়র ফোর্সকী এ-২৯ এয়রক্রাফট অমনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ফারিয়াব প্রোভিন্সগী বিলচিরাঘ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা টালিবানগী লোৎফম অমদা টার্গেট তৌদুনা চথুখিবা ষ্ট্রাইক অমদা খুৎলায় পায়বা টালিবান মিলিটেন্ট ২৮ শিখি হায়না লমদম অদুদা বেজ তৌবা আর্মি কোর ২০৯ সহিনগী স্পোক্সমেন অমনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

টার্গেট তৌখিবা মিলিটেন্টশিং অদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথনবগী থৌরাংশিং খন্ননবা মীফম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা খঙহৌদনা অফঘান এয়র ফোর্সনা এয়র ষ্ট্রাইক অদু চথুখিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুগী খা অমসুং নোংপোকথংবা লমদমশিংদা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা অকনবা লাঞ্জং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চহী খরা অসিদা হান্না ঈংনা চিক্না লৈরম্বা অৱাং থংবা লমদমদা হাৎন-শুনবগী ইরাং হেনগৎলকখিবনি। অফঘান এয়র ফোর্সকী এয়র রেইদ অদুগী মতাংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি টালিবান মিলিটেন্ট গ্রুপনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈখিদে।

চৈরকসিদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবা বাদঘিস প্রোভিন্সতা চথুখিবা তোঙান তোঙানবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা য়ামদ্রবা মীচম ১০ শিখ্রে হায়না অফঘান ওফিসল খরনা ফোঙদোকখ্রে। বাদঘিসকী লোমেকর জিয়াউদ্দিন অকাজাইনা ফোঙদোকখিবদা, ইরাই নুমিৎকী অহিংদা বালা মুরঘাহ দিষ্ট্রিক্টতা মীওই অনী অশোক-অপন নংখি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী আর্মি বেজ অমদা চথুখিবা এয়র রেইদতা অঙাং অহুম, নুপী অনী অমসুং নুপা ৫ য়াওনা মীওই কয়া শিখি।

## বৃটিশ এয়রৱেজগী ফ্লাইটশিং নুমিৎ ৭ নি লেপ্লগনি



কাইরো, জুলাই ২১ (এজেন্সি) : সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফমশিংনা মরম ওইদুনা বৃটিশ এয়রৱেজ অমসুং লুফটহান্সানা কাইরোদা পাইগদবা ফ্লাইটশিং খঙহৌদনা থাংজ নুমিত্তগী লেপহনখ্রে। এয়রৱেজ অনীমক্না খোঙথাং অসিগী মতাংদা অকুপ্পা মরোলদি পীখিদে।

ঐখোয়না মালেমগী এয়রপোর্ট পুম্নমক্তা লৈরিবা ঐখোয়গী সিক্যুরিটি এরেজমেন্টশিং তত্তনা রেভিয়ু তৌই। চেকশিন থৌরাং অমা ওইনা হৌজিক কাইরোদা পাইগদবা ফ্লাইটশিং নুমিৎ তরেৎনি লেপ্নবা ৱারেপ লৌরে হায়ানা বৃটিশ এয়রৱেজগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ফ্লাইট সর্ভিস লেপ্লিঙৈ নুমিৎ খরনিগী মতম অসিদা মখা তাবা সিক্যুরিটিগী ফিভমশিং খন্নগনি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি। জর্মন এয়রৱেজ লুফটহান্সানসু বৃটিশ এয়রৱেজানা ফ্লাইট সর্ভিস লেপ্পগী খোঙথাং অদু লাউথোকখ্রবা মতুংদা ম্যুনিক অমসুং ফ্রেংফর্টতগী ইজিপকী কেপিটেল কাইরোদা পাইগদবা ফ্লাইটশিং থাংজ নুমিৎকী ওইনা কেন্সেল তৌরে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এয়রৱেজ অসিগী ফ্লাইটশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা মখা তানা অমুক লৈরগনি হায়খি।

আই এ জি (আই সী এ জি এল)গী য়ুনিট অমা ওইরিবা বৃটিশ এয়রৱেজনা খুদোংথিবা নংবা য়াবগী মমি উবা ফংলবদি এয়রক্রাফট অমত্তা ওপরেট তৌরোই হায়নসু ফোঙদোকখি। করিগীদমক্তা ফাইটশিং সস্পেন্দ তৌরিবনো অমসুং এয়রলাইন্স অসিনা করম-করম্বা সিক্যুরিটি এরেজমেন্টশিং রিভিয়ু তৌরিবগে হায়বগী মতাংদা অকুপ্পা ৱাফমশিং পীনবা হায়বদা এয়রলাইন অসিগী স্পোক্সপর্সন অমনা সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংগী মতাংদা মখোয়না কমেন্ট পীদে হায়না ফোঙদোকখি।

ইজিপসিয়ন এয়রপোর্টকী সিক্যুরিটি ছোর্স অহুম্না রোইটর্সতা ফোঙদোকখি মদুদি, বৃটিশ ষ্টাফনা য়ুমশকৈশা অমসুং শগোলশেল নুমিত্তা কাইরো এয়রপোর্টতা সিক্যুরিটিগী ফিভম চেক তৌখি। ইজিপকী মিনিষ্ট্রি ওফ সিভিল এভিএসন্না থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, মিনিষ্ট্রি অসিনা কাইরোদা লৈবা বৃটিশ এম্বেসি কন্টেক্ট তৌবদা বৃটিশ এয়রৱেজগী ফ্লাইটশিং নুমিৎ খরনি লেপ্পগী ৱারেপ অদু বৃটেনগী ট্রান্সপোর্ট নৎত্রগা ফোরেন মিনিষ্ট্রিশিংনা লৌখিবা নত্তে হায়বসি কনফার্ম তৌরে।

ফ্লাইট সর্ভিস লেপ্লিঙৈ মনুংসিদা পেসেঞ্জরশিংগী চৎথোক-চৎশিন্দা খুদোংচানবগীদমক নোংমাইজিং নুমিত্তগী কাইরোদগী লন্দন ফাওবা অহেনবা ফ্লাইটশিং লৈহল্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তাখি।

## ইরাক্তা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট তরেৎ হাৎখ্রে



বাঘদাদ, জুলাই ২১ (এজেন্সি) : য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন্না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরাকি প্রোভিন্স নিনেভেহদা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অমদা পুন্না ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) মিলিটেন্ট তরেৎ শিখ্রে হায়না ইরাকি মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।

বাঘদাদ সিটিগী অৱাংদা কিলোমিটর ৪০০ রোম লাপ্পা লৈবা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল মোসুলগী খারোমদা ইরাকি আর্মি অমসুং পেরা মিলিটরি ট্রাইবেল ফাইটরশিংগী অপুনব ফোর্স অমনা সর্চ ওপরেসন চথুখিবদা আই এস মিলিটেন্ট মরি হাৎখি অমসুং মখোয়গী লোৎফম মরি অমদি এক্সপ্লোসিভ ভেষ্ট অনী মাঙহন তাকহনখি হায়না ইরাকি মিলিটরিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

সিরিয়াগী বোর্দরগা নক্কনা লৈবা মোসুলগী মফম অমদা চথুখিবা অতোপ্পা ওপরেসন অমদা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগী এয়রক্রাফটনা আই এস পোজিসনশিংগী মায়োক্তা এয়র ষ্ট্রাইক কয়া চথুদুনা আই এস মিলিটেন্ট অহুম হাৎখি অমসুং মখোয়গী লোৎফম ১৯ থুগায়খি।

অমরোমদা, গ্রাউন্দ ট্রুপশিংনা আই এস মিলিটেন্টশিংনা শীজিন্নরম্বা গাড়ি অমগা মোটোর সাইকল অনী ফাগৎখি হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

কুমজা ২০১৭গী অথেংবা শরুক্তা ইরাকি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ওপরেট তৌরিবা এক্সট্রিমিষ্ট আই এস মিলিটেন্টশিংবু মপুং ফানা মায়থিবা পীখ্রবা মতুংদা ইরাক্কী সিক্যুরিটিগী ফিভম ফগৎলকখিবনি।

অদুমওইনমক ইরাকি ফোর্সশিং অমসুং কোলিসনগী কেম্প্যেন্দা নাম্থোকহৌবা আই এস মিলিটেন্ট কয়া সিটিগী এরিয়াশিং নৎত্রগা লৈকংলাশিং অমসুং চীং-মানশিংদা চেনশিন্দুনা লোৎপগা লোয়ননা মখোয়না সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং মীচমশিংগী মায়োক্তা গোরিলা এটেকশিং তোয়না চথুরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, মমাংদা ইরাকি এয়রক্রাফটনা লৈবাক অদুগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী টার্গেটশিংদা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মিলিটেন্ট ৩০০ হেন্না শিখ্রবনি।

## চাইনানা খুৎ থিংজিনবগী মতাংদা ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ২১ (এজেন্সি): ভিয়েটনামগী মতম শাংলক্লবা এক্সপ্লোরেসন অমসুং প্রদক্সনগী থবকশিং য়াওনা সাউথ চাইনা সিদা চথুরিবা থাউ অমসুং গ্যাসকা মরী লৈনবা থবক কয়াদা চাইনানা খুৎ থিংজিনবগী রিপোর্টশিং নুংনাংনিঙাই ওই হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ চাইনা সিদা চাইনাগা ফাংজিন্ননা মফম কয়া ক্লেম তৌরিবা অতৈ লৈবাকশিংনা পায়খৎলিবা ঈশিংদা থাউ অমসুং গ্যাস থিবগী থবকশিংদা অকায়বা পীবা কায়হৌবগী থৌওং কয়া চাইনানা চথুরকখিবা অসিনা রিজনেল ইনর্জি সিক্যুরিটিদা অকিবা পীবগা লোয়ননা ইন্দো-পেসিফিক ইনর্জি মার্কেটতা অফা-অপুন্নবগী ফিভম অমা লাকহল্লি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিত্তা ভিয়েটনাম্না চাইনিজ ওইল সর্ভে ভেসেল অমগা লোয়ননা মসিগী এস্কোর্টশিংবু ভিয়েটনামগী সোভরেন্টি খোঙ্গাওনৈ হায়না মরাল শীখিবগা লোয়ননা চাইনানা জহাজশিং অদু ভিয়েটনাগী ঈশিংগী শরুক্তগী লৌথোকখিনবা দিমান্দ তৌখি।

সাউথ চাইনা সিগী ইনর্জি মরাং কায়না লৈ হায়না পান্নবা ঈশিংগী শরুক খরগী মতাংদা ভিয়েটনাম অমসুং চাইনানা চহী কয়ামরুম য়েৎনদুনা লাকখিবনি। চাইনিজ অমসুং ভিয়েটনামিজ ভেসেলশিংনা ভিয়েটনামগী এক্সক্লুসিভ ইকনমিক জোন্দা লৈরিবা ওইল ব্লোক অমগী মনাক্তা চয়োল কয়ামুক চুপ্না মুক্লদুনা লৈখি হায়না য়ু এসতা বেজ তৌবা থিঙ্ক টেঙ্ক অনীনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং বৈজিং নৎত্রগা হনোইনা ৱাফমসিবু হকথেংননা কনফার্ম তৌবা নৎত্রগা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদি লৈখিদে। চাইনানা অকন-অরিংগী থৌওং চথুবা লেপকদবনি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

## য়ু এস-সাউথ কোরিয়া মিলিটরি এক্সরসাইজ শোইররোই



এস্পেন/সিওল, জুলাই ২১ : হান্না থৌরাং তৌখিবগুম য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী অপুনবা মিলিটরি এক্সরসাইজ মথং থাদা পাঙথোক্লগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অনীগী অপুনবা মিলিটরি এক্সরসাইজ পাঙথোকপনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উনগী মরক্তা য়ানখিবা ৱাফম খোঙ্গাওনগনি হায়বা প্যোংয়াংগী ৱারোলদা য়ানিংদবা উৎপগা লোয়ননা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিলস অদু শোয়দনা লেপ্নখিবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখিবনি।

মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা জোইন্ট মিলিটরি এক্সরসাইজ অদু লৈবাক অমগী মায়োক্তা লান্দানবগী দ্রিল নত্তে তৌইগুম্বসুং য়ু এস অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরি এলাইয়েন্স হেন্না চেৎশিনহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়না সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জে ঈনগী পিছ প্লান্নিংগী সেক্রেটরি জয় জোং-কুননা এস্পেন ইন্সটিট্যুটকী এন্যুএল ষ্ট্রেটেজি ফোরমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

মদুগী তুংদা রোইটর্সতকী পাউমীগা ৱারী শান্নবদা চোইনা হায়খি মদুদি মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অদুদা কম্প্যুটর সিম্যুলেসনশিংনা মরু ওইবা শক্তম ওইদুনা ফিল্ডগী ট্রুপশিং ইচেন চেন্নহল্লোই। নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মিলিটরি এক্সরসাইজশিং অদুনা ট্রম্পনা প্যোংয়াংদা পীখিবা থাজবা মাঙহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লমদম অদুদা ৱার গেমশিং পাঙথোকপনা প্যোংয়াং অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শান্নবা মখা চথনবগী থৌরাংদা অকায়বা পীরগনি। ৱাশিংটন্না হৌখিবা মতম কয়াগী মমাংদগী হৌনা মরান্নাইগী ওইবা ৱারেপ্না য়ানখিবা ৱাফমশিং থুগায়বগী থৌওং হেক হেক চথুরিবা অসিনা তঙাইফদনা প্যোংয়াংনসু ৱাশিংটন্দা হান্না থাজবা পীখিবগী ওন্ন-তৈনবদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অমসুং ইন্টরকন্টিনেন্টেল ব্লাষ্টিক মিসাইলশিংগী চাংয়েং মখা চথুরকপা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিওনসু নোর্থ কোরিয়াগী ৱাফমশিং অসিবু চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। পনবা য়াবদি, হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ট্রম্প-কিম সম্মিট য়ান্নবা অমত্তা পুরক্তনা লোইশিনখিবনি।

## চিকাগোগী নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিংদা মীওই অনী শিখ্রে

চিকাগো, জুলাই ২১ (এজেন্সি): চিকাগো সিটিগী মফম কয়দা হৌখিবা ইরাইদগী থাংজ ফাওবদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক ১০ হেনবদা মীওই ২ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা অতোপ্পা মীওই ২২ অশোক-অপন নংখ্রে হায়না লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সিটি অসিগী অহানবা মী শিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা ৱেষ্ট ১০৫ শুবা প্লেসকী ২০০ ব্লোক্তা থোকখি। মশাগী চহী ২১ শুরবা নুপা অমনা কার মনুংদা ফম্লিঙৈদা অতোপ্পা সিলভর মচুগী কারদা লাকপা মীওই অমনা মঙোন্দা হঞ্জিন হঞ্জিন্না নোংমৈ কাপশিনখিবনি হায়রি।

ভিক্তিম অদু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখিবগা লোয়ননা হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা মহাক শিরে হায়না লাউথোরকখি হায়না চিকাগো সন-টাইমসকী রিপোর্টনা অমনা ফোঙদোকখি।

অনীশুবা মীশিগী থৌদোক অদুদা মশাগী চহী ২৩ শুরবা নুপা অমা ইরাই নুমিৎকী অহিং নোংয়াই য়ৌরমদাইদা কার অমগী মনুংদা ফম্লগা লৈরিঙৈদা লম্বীগী ৱাংমদা লেপ্তুনা লৈরিবা মীওই কাঙবু অমগা মহাক্না চৈনা ঙাঙনখি হায়না চিকাগো পুলিসনা ফোঙদোকখি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীওই কাঙবু অদুগী মরক্তগী নুপা অমনা ভিক্তিম অদুদা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা মহাক্কী মথবাক্তা পানখি। ভিক্তিম অসিসু মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং মতম শাংনা কান্নদনা শিখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা চহী ১১গী নুপামচা অমা খামদুনা লৈরিবা কার অমা তম্না মখোঙনা চৎলিঙৈদা নুপা অনীনা মঙোন্দা নোংমৈ কাপশিনবদগী শোকখি হায়না এন বি সী চিকাগোগী রিপোর্ট অমনা হায়খি।